## মালেমগী অঙকপশিং

# টেঞ্জানিয়াগী মাউন্ট কিলিমঞ্জারো



টেঞ্জানিয়াগী মাউন্ট কিলিমঞ্জারোনা অফ্রিকাদা খ্বাইদগী ৱাংবা চীংজাওনি। চীংখোঙদগী চীংদোল ফাওবা মিটর ৪,৯০০ (ফুট ১৬,১০০) ৱাংই। সমুদ্রগী ঈমাইদগীনা মিটর ৫,৮৯৫ (ফুট ১৯,৩৪১) ৱাংই।

কুমজা ১৮৮৯দা হেন্স মেয়র অমসুং লুদৱিগ পর্টসেলরনা খ্বাইদগী ইহান হাননা মাউন্ট কিলিমঞ্জারোগী চীংদোল লোমখি হায়না থাজনরি। কিলিমঞ্জারো নেসনল পার্ককী শরুক অমা ওইরিবা চীংজাও অসিদা উন শৌদোরকপগা মরী লৈননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই কয়ানা সাইন্টিফিক ষ্টদিশিং চথুদুনা লাকখি।

চীংজাও অসিদা লেংদবা ভোলকেনো অহুম লৈ। খ্বাইদগী ৱাংবা ভোলকেনো অদুগী মমিং কিবো কৌই। মিটর ৮,১৪৯ (ফুট ১৬,৮৯৩) ৱাংনা লৈবনি। খ্বাইদগী নেম্বা মৈগী চীং অদুগী মমিংনা সিরা কৌই। মিটর ৪,০০৫ (ফুট ১৩,১৪০) ৱাংই।

কিবোগী মফম মঙাদা লাভা শেমগৎলকপা থেংনরি। চহী ৪৮২,০০০গী মমাঙদা মিটর ৪,৬০০ (ফুট ১৫,১০০) ৱাংবা মফমদা লাভা শেমগৎলকখিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মৈগী চীং অসি পোকখায়রকপা লৈত্রি।

চীং অসিদগী চেন্থরকপা ঈশিংনা মনাক নকপা তুরেলশিংদা তিনখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবগী থৌদাং লৌরি। কিলিমঞ্জারো হায়রিবা মীং অসি কনানা কমদৌনা থোনখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু কুমজা ১৮৬০দা য়ুরোপকী থিজিন হুমজিনবা কাঙবু অমনা মীংথোন অসি পীরম্বনি হায়না থাজনরি।

কুমজা ১৮৬১গী ওগষ্টতা প্রসিয়ন ওফিসর বেরোন কার্ল ক্লোজ ভোন দর দেকেননা ইংলেন্দগী জিওলোজিষ্ট আর থোর্নটোনগা লোয়ননা কিবোগী চীংদোন লোম্নবা হোৎনখি। অদুবু ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম কা হেন্না ফত্তবনা মরম ওইরগা ফুট ৮,২০০ ৱাংবা মফমদগী হেন্না কাখৎপা ঙমখিদে।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... - রোজা পার্ক্স -



রোজা লুই মেকৌলি পার্ক্স (১৯১৩-২০০৫) অসি অফ্রিকান অমেরিকান সিভিল রাইটস এক্টিভিষ্ট অমনি। য়ু এস কোংগ্রেসনা মহাকপু হৌজিক মতমগী সিভিল রাইটস ঈহৌগী মমানি হায়নফাও শিংথাখি।

পার্ক্স অসি কুমজা ১৯৫৫ গী দিসেম্বর ১ দা জেমস ব্লেক কৌবা বস দ্রাইভর অমনা মহাক্কী সিট অদু অঙৌবা মীওই অমদা পীখো হায়বদা মহাক্লা কন্না য়াখিদবগীদমক্তা মমিং চৎলি। অসিগুম্বা সিভিল দিসওবিদিয়েন্সকী থৌওং অসিগীদমক্তা মহাকপু ফারগা ৱায়েল চথুখি। মসিনা মরম ওইদুনা পুৱারীদা কাঙলুপ নাইবা অমসুং মীবু মীনা হন্থনা য়েংবগী মায়োক্তা খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকখিবা মীয়ামগী ঈহৌশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মোন্যগোমোরি বস বোয়কোটকী ঈহৌ লাকখি। ঈহৌ অসি লাকখিবগা লোয়ননা বোয়কোট অদুগী ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মার্টিন লুথর কিংজুনিয়র সিভিল রাইটস মুভমেন্টদা মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা ঈহৌ অদু মপুং মৱৈ ফাহনখি।

মহাক্লা অমেরিকাগী পুৱারীদা লৌখিবা থৌদাংনা অমেরিকান কলচরদা মহাক্কী মুৎনাইদ্রবা মফম অমা কল্লকখি অমসুং মহাক্লা তৌরম্বা তবক কয়া মালেম পুম্বগী সিভিল রাইটসকী ঈহৌশিং তমজনফম ওইখি।

রোজা লুই মেকৌলি কুমজা ১৯১৩ গী ফেব্রুৱারী ৪ দা অলাবামাগী তস্কেগীদা পোকখি। মহাক্কী মপা-মপুশিংগী মরক্তা আইরিস-স্কোটিস য়াওবগা লোয়ননা মহাক্কী ঈ মরীগী মবেন অমা মীনাই ওইখি। অহানবদা লোকেল স্কুলশিংদা তম্লবা মতুং মশাগী চহী ১১ শুবদা মহাক মোন্টগোমেরিদা লৈবা নুপীমচাশিংতগী ওইবা ইন্দষ্ট্রিএল স্কুল অমদা তমখি। তৌইগুম্বসুং মমৈথংদা মহাক মবোক য়েংশিন্নবগীদমক্তা স্কুলদা মহৈ তম্বা লেপ্পা তাখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা রোজানা অলাবামাদা মতম শাংনা চৎনবী ওইনা লৈরক্লবা অমুবশিংবু অঙৌবশিংনা হন্থনা য়েংবীবগী মওং অদু খঙবা ঙমখি। জিম ক্রো লোনা মরম ওইদুনা অমুক ভোটর অয়াম্বা ভোট থাদবা য়াহনখিদবগী থৌদোকসু অঙাং ওইনা মহাক্লা খঙখি।

মহাক কুমজা ১৯৩২ দা মোন্টগোমেরিদগী রেমন্দ পার্ক্স কৌবা শম ককপা নুপা অমগা লুহোংখি। রোজা পার্ক্সসু মহাক্কী মপুরোইবগী মতেং পাংদুনা সিভিল রাইটস মুভমেন্ট অদুগী ফন্দ খোম্বা অমদি অতৈ থবক কয়াদা য়াওশিনখি। মহাক্লা মীটিং কয়াদা ৱা ঙাংদুনা অমুবা মীওইশিংগী রাইটশিং দিফেন্দ তৌখি অমসুং অমুবশিং জষ্টিস ফংহন্দনবা থৌওংশিং লাকহৎনবা হোৎনখি। কুমজা ১৯০০ দা মোন্টগোমেরিনা পাস তৌখিবা অমুক পেসেঞ্জরশিংবু তোঙান্না ইন্থোকপা য়ানবগী ওর্দিনান্স অমা পার্ক্সনা শিংনদুনা বস দ্রাইভর অমনা মহাক্লা ফল্লিবা সিট অঙৌবা মীওই অমদা ফমহন্নবা হায়রকখিদবদা মহাক্লা য়াখিদবনি। মীওইবা অমা ওইনা অমসুং মোন্টগোমেরিগী সিটিজন অমা ওইনা ঐহাকসু সিট অদুদা ফম্বা য়াবগী রাইট লৈফম থোকই হায়না পার্ক্সনা ইন্টরভ্যু অমদা ফোঙদোকখি।

## ব্যুটি : নীংথমথা য়ৌরক্লবসু পাখৎপীগনু মায়থোং মকা লাম্না লৈবা য়াই



নুপীখক নত্তনা অনৌবা হোংলক্লিবা মতম অসিদা নুপাশিংসু কেবা-মৌবা পাম্ন রক্লে হায়বদা হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হায়নবা লৈ মায়থোংবু য়াম্না কেনা-লুনা থমজবা মীওইশিংগী ওইনা নীংথম থা হায়বসি য়েক্লবা থা অমগুম্বনি। নীংথম থাদা য়াম্না ইংবনা মরম ওইদুনা মায়থোংগী উনশা কংশিনবা অমদি অইংবা মতমদা শিৎপা নুংশিৎনা হকচাংগী উনশাদা অকায়বা কয়া অমসু পীদবা নত্তে। মায়গী উনশা কুরোন হুরকপা, উনশা কংশিল্লকপা অমসুং মায় অমদি চিনবান কায়শিল্লকপগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী উনশাদা প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লি। অদুবু নীংথম থাদা চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎলবদি মায়থোং মকা লাম্না লৈনা নীংতম্না নোক্লা লৈবা ঙমগনি।

শারিবা মতমদা তৈরম্বা ক্রিম অদু নীংথম থা মতমদা মায়দা তৈবদা কান্নবা করিমত্তা ফংদে। অদুবু ইরুজরবা মতুং পুংখায় অমরোমগী মতুংদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা হঙ্গাম থাউ নত্রগা এরোমেটিক থাউনা হকচাং শিনবা থুংনা মালিস তৌবনা হকচাংগী উনশাশিং কংশিনদনা শিৎ নান্না লৈবা ঙমগনি। মায় কংশিনদুনা ক্রক-ক্রক লাওবা ফহনগে হায়রবদি লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং খুৎতা খজিক হাপ্তুনা খুৎশাশিং অদুনা খোইহীগা লোয়ননা মায় শিনবা থুংনা তৈবিয়ু। খুদিংদা ফংবা গুলাব লৈগী মনাশিং হেক্লগা নুমিদাং অমা শঙ্গোমদা তিংদুনা থম্লবা তুং অয়ুক্তা শঙ্গোমদা তিংদুনা থমখ্রবা গুলাবকী লৈনাশিং অদু তকখাইরগা চিনবাদা তৈবনা চিনবান চেকখায়বা ফবত্ত নত্তনা ঙাংতক তানা ফজবা চিনবান অমা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি। চিনবানদা খোইহী তোয়না তৈবনা চিনবান মুনা লৈবা মীওইশিংগীসু অফবা হায়বদু ওই। মদুনা চিনবানগী অমুবা কোকপা ঙমগনি। নীংথম থা খক্কী নত্তনা মতম পুম্নমক্তা চিনবান থোৎনা-নৌনা লৈনবগীদমক চাং নাইনা বদামগী থাউ তৈবসু য়াম্না কান্নবা হায়বদুসু ওইগনি।

খোইহী তৈরবা মতুং মিনিট ১৫-২০গী মতুংদা মায় তাথোকপীয়ু। মদুনা নীংথম থা মতম ওইরবসু অদোমগী মায়গী উনশা থোৎনা নৌনা লৈবা ঙমহনগনি।

কনাগুম্বা মীওই খরদদি নীংথম থা মতমদা মায়গী উনশা কুরোন হুবত্তা নত্তনা মুশুক মশিনবা ফাওবা য়াওদবা নত্তে। করিগুম্বা অদুগুম্বা ফীভম লাক্লবদি মদুদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক হাপ্টা অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অমুক-অনীরকতি স্ক্রব তৌবা য়াম্না কান্নবা ওইগনি। ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিং অমদি নুপামচাশিংদসু নীংথম থানা লাকপদা মায়থোংগী ফজবা মফম অমা ওইরিবা চিনবান কায়রকপনা অৱাবা কয়া অমা থেংনদবসু নত্তে। মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লিপ বাম কয়া শিজিন্নবা য়াই অদুবু কেমিকেল য়াওবা লিপ বাম শিজিন্নবগী মহুত্তা য়ূমদা ঈশানা শেমজবসু য়াই। য়াম্না লায়না যূ ম





































